# ৱারি লীবা ফেষ্টিভোল ২০১৮



লমদম অসি মমাংঙৈদগী থকশি-খাসি, থৌগল্লোন ব্যহার ফজবদা তমজনিং ঙাই ওইরম্বা অদু ঙসিদি মমি শামজিনলকপগী মমি তারি।

মতম অমগী অহল-লমনশিংদা লৈনরম্বা সোসিয়েল ভেল্যু অদু নোংম-নোংমগী মমি শামজিনলকপনা লমদম অসিদা চরাংনবা কয়া অসিগী মরু ওইরি।

লমদম অসিগী কলচর ইনাক খুনলি হায়দুনসু কলচরবু য়োকখৎনবা, মাংখিদনবা হোৎনরিবা মীওইশিংনসু থম্মোয় শেংনা কখোকপগা লোয়ননা লোয়নবীবা লোয়ননা মীপুম খুদিংমক্কা শৌগৎপীবগী তঙাই ফদবা লৈরি।

মীশিং য়ামজদবা অপীকপা চিংলৈবাক্কী লমদম অসিদা খোংজেল য়াংনা চেনশিনলক্লিবা ৱেষ্টর্নাইজেসন গী নুংশিৎ অসিনা হুমদুনা লমদম অসিগী কলচরদা শাফু পীরক্তুনবা হোৎনবদা তঙাই ফদে। অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা লমদম অসিগী য়াম্না ফজরবা নেরেটিব আর্টফোর্ম অমা ওইরিবা ৱারি লীবা অসিবু য়োকখৎনবগী পান্দমদা পাং থোকখিবা রামায়ানগী ৱারি লীবা ফেষ্টিভেল -২০১৮ অমা রিপের্টেরি ওফ ৱারি লিবা, খুরাই চাইথবী লৈরক্তা লৈবগা, মোইরাংখোম বোকুল মখোংদা লৈবা রাইজিং য়ুঠ ওর্গনাইজেসন হায়রিবা লুপ অনী অসিনা খুৎশম্নদুনা ভক্ত আশ্রম গ্রাউন্দ কম্যুনিটি হোলদা নুমিৎ ৫ নি চুপ্পা চথরিবা ৱারি লিবগী ফেষ্টিভেল অসিমক মতাং চপ চারবনি।

ঐখোয়না ৱারি লীবা হায়রগা খংনরীবা নেরেটিব আর্ট অসি মমাংঙৈদা লমদম অসিগী মীয়ামগা তৎন-থানবা য়াদবা য়াম্না নক্কনা লৈরম্বা ঐখোয়গী অকোয়বগী মান্দোপতা, শুমাংদা, মাঙ্গোলদা য়াম্না তোইনা উরম্বা অমনি।

অদুবু হৌজিক্তি ঐখোয়না য়াম্না কোমথোক্লা লৌনরকপগুম তৌরিবা অসিমক্তি লাইবক থিবনি।

অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা নেরেটিপ আর্টফোর্ম অসিবু মমাং ঙৈগুম মপাংগন কনবা অমা ওইহন্দবা য়াদে হায়দুনা চোংথোক্লিবা রিপর্টরি ওফ ৱারি লিবা হায়রিবা আর্টফোর্ম অসিবু কন্দবা য়াদে হায়দুনা থৌনা ফনা চোংথোরক্লিবা অসিমদি থৌগৎনিং ঙাই ওইরি। ঙসিগী মীরোল অসিদা মোরেল অমদি হুমেন ভেল্যু কাইথরক্লিবা অসিদগী কননবগী অচৌবা মফম ওইবা ঙমগনি। মরম অদুনা মতৌ করম্না ঙসিগী নহারোলশিংনসু পাম্নবা মওংদা শেমবগী তঙাই ফদবা লৈবরা হায়জনিংঙাই।

মশাদা পীথোরকপা লম কয়াগী জ্ঞান লৈরবা অফবা ৱারি লীবা ঙম্বা লোয়ননা মপুং ফাবা এক্টর অমা নত্তনা ইচম চম্বা মীশক অমনা হেক্তমক ওইবা য়াবা নত্তবা ৱারি লীবা মীশক অমগী হৈ-শিংবনা মমাংঙৈদগী

## ঐচ ৱাজেসে

লৈজরক্কবা পারি অসিদা নত্তনা অনৌবা হিরম কয়াদা মতম মতমগী য়াওলগী নত্রগা হিরম কয়াগী মাংদা নৈনবগী প্লেটফোর্ম অমা ওইনা শিজিন্নদুনা লমদম অসিদা অওনবা অমা পুরকপদা অচৌবা পেল্টফোর্ম অমা ওইবা য়ারি।

অসিগুম্লবা মখলগী ফেষ্টিভেল অসি হৌদোকপগী থৌরমদা মৈদিংঙু লৈশেম্বা সনাজাওবনা ফোঙদোকখিবদা চাওখৎলকপগী মতুং ইন্না খুন্নাইদা অৱাংবা থাক্কী মহৈ তন্নিবা অমদি অফাওবা কয়া থোরক্লে। ঙসিদি মেটরিয়েল ৱার্ল্ডদা চংশিনলক্লি। মসিদা লাইনিং লাইশোল, চৎনবী, লীচৎ-শাজৎতদি ময়েং তারক্লে। মেটরিয়েল ৱার্ল্ডদা চঙশিনবা অদুগা স্প্রিচুয়েলদনা মাংশিনলকপা অসি অহৌবা অমনি। স্প্রিচুয়েলদা লাকখ্রবা অহল লমনশিং নুংশি চান্নলৈরক্লিবা অসি স্প্রিচুয়েলদা চংশিনলকপদগীনি। হান্নদগী লৈজরক্কবা থকশি-খাশি থৌগনল্লোন কয়া ঙসিদি মাঙখ্রে। মসি লাইরিক লাইশু হৈরবা কয়াদা য়াওহনলক্তবগুম উরক্লি। খুদিংমক অসি সোসিয়েল ভেল্যু হন্থরকপদগী লমদমসিদা নোংমা কাংদনা থোক্লিবা চরাংনবশিং অসিগী হৌরকফমনি হায়বা অসিনি।





অশুম্না ৱারি লীবগী মাংথরক্লিবা ত্রেদিসনবু কলহৌবগী পান্দমদা পাঙথোকখিবা ফেষ্টিভেল অদুদা রমায়ান গী ৱারিগী ৫শুবা কান্ত শুন্দর কান্তগী মনুংদা হনুমাননা সমুদ্র চোংবদগী হৌদুনা পরিং নাইনা লীখিবা অদুদা লমদমসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী খনগৎলবা শক্লাইরবা ৱারি লীবা ৮না শরুক য়াখি।

১. চরাংপাৎ, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতগী শ্রী লাইময়ুম সুরঞ্জোই শর্ম্মা, ২. লুক্রাম ধনঞ্জয় সিংহ, হিয়াংলম, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট, ৩.লৈশাংথেম ইবোতোম্বা সিংহ, লৈশাংথেম থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট, ৪. শামুলাইলাৎপম কুঞ্জবিহারি শর্ম্মা য়াইরিপোক থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট, ৫. য়ুরেম্বম অহোংজাও সিংহ খাইদেম, খুম্বোং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট, ৬. তখেল্লম্বম শ্যামকানহাই সিংহ খুরাই চাইথাবী লৈরক ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট, ৭. লাইখুরাম মনি সিংহ খুরাই কোংপাল ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট লোয়ননা ৮. কোন্থৌজম কুঞ্জো সিংহ, কোংবা ক্ষেত্রি লৈকায় ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট হায়রিবা শক্লাইরবা রাইজিং য়ুঠ ওর্গনাইজেসন, মোইরাংখোম বোকুল মখোংগা খুৎশম্নদুনা পাঙথোক্লিবা ফেষ্টিভেল অসি উরুরবা তুংদদি আর্টফোর্ম অসি শীথরক্লিবগী মরম অসি ৱাহং অমা ওইরি। ফেষ্টিভেল অসিদা তিনলিবা মীয়াম অসি উরুরবা মতুংদদি মীয়াম্না য়াম্নমক পাম্নরিবা নেরেটিব আর্টফোর্ম অমা ওইরি হায়বদা হায়মনবা থোকলরোইদ্রা হায়জনিংঙাই।

# ষ্টেটকী থাক্ত শান্নবগী পাউদম

## ষ্টেট সুব্রোতো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেন্ট
## প্রবানন্দগী হেটত্রিক্কী মতেংনা ইম্ফাল ৱেষ্টনা জিরিবামবু মায়থিবা পীখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫ঃ

দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুঠ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টস গভর্নমেন্ট ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা ষ্টেট লেভেল সুব্রোতো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ফোর অন্দর-১৪ বোইজ এন্দ অন্দর-১৭ বোইজ এন্দ গার্লস ঙসি অয়ুক খুমন লম্পাক্কী প্রক্টিস গ্রাউন্দা চহি ১৪ মখাগী নুপামচাগী গ্রুপ এগী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা ইম্ফাল ৱেষ্ট রিপ্রজেন্ট তৌখিবা সিটি হায়র সেকেন্দরী স্কুল ময়াং ইম্ফালনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট রিপ্রজেন্ট তৌখিবা সোতোবরকা হায়স্কুলবু গোল ৩-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।



চহি ১৪ মখাগী নুপামচাগী কাংলুপ অসিদা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট ১৩গী টিমশিংনা গ্রুপ-৪ থোক্তুনা শরুক য়ারি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি জিরিবাম অনীনা শান্নখিবা মেটচ অসিদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী কেঐচ প্রবানন্দনা শান্নবা হৌরকপগী অনীশুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি।

গোল চনখ্রবা মতুং শান্নবগী ১২শুবা মিনটতা প্রবানন্দগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। অদুগা জিরিবামগী মার্টিননা শান্নবগী ২১শুবা মিনটতা গোল অমা চনশিন্দুনা ১-২ দা ইম্ফাল ৱেষ্টনা অহানবা হাল্ফ লিদ তৌখি।

অনীশুবা হাল্ফকী প্রবানন্দনা ৪৬শুবা মিনটতা মহাক্কী অহুমশুবা গোল চনবা ঙমখি। মখা তাবা টিম অনীনা গোল চন্নদবদগী ইম্ফাল ৱেষ্টনা জিরিবামবু গোল ৩-১ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী শান্নরোই অনী ই সন্তোসকুমার অমসুং রিকি অদুগা জিরিবামগী লালমুবিক রেফরিনা শান্নবগী ৩০, ৪৮ অমসুং ৩৭ শুবা মিনটশিংদা য়েল্লো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

চপ মান্নবা কাংলুপ অসিগী ঙসি অয়ুক শান্নখিবা গ্রুপ-বিগী লীগ মেটচ অমদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট রিপ্রজেন্ট তৌখিবা স্প্রিংফিল্ড স্কুল ৱাংজিংনা ফেজরোল দিষ্ট্রিক্টকী প্রবাচোম হায়স্কুলবু গোল ২-১ দা মায়থিবা পীখি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মাই পাকপগী গোলশিং অদু অমরজিৎনা শান্নবগী ২৮ অমসুং ৪৭ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

অদুগা ফেজরোলগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা পেত্রিকনা শান্নবগী ৯শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা খুমন লম্পাক্কী মেন ষ্টেদিয়মদা চহি ১৭ মখাগী নুপীমচাগী ঙসি অয়ুক শান্নখিবা গ্রুপ-সিগী লীগ মেটচ অমদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট রিপ্রজেন্ট তৌখিবা মদুমতি গভর্নমেন্ট হায়স্কুলনা জিরিবামগী সোতোবেক্রা হায়স্কুলবু য়াম্না লাকচনা গোল ১৮-০দা মায়থিবা পীখি।

বিষ্ণুপুরগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু টি ঐচ সঞ্জিতানা গোল ৫ অদুগা শান্নরোই অনী-এম বিজেয়া অমসুং ও বাবিতানা গোল ৪।৪, এল সেলিয়ানা গোল ৩, অদুগা গিতারানি অমসুং সন্ধ্যিানা গোল অমমম চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা চপ মান্নবা কাংলুপকী ঙসি অয়ুক শান্নখিবা গ্রুপ-বিগী লীগ মেটচ অমদা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ইরমদম মহৈকোল স্কুলনা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী ইমানুয়েল স্কুলবু গোল ৫-১ দা মায়থিবা পীখি।

ককচিংগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু লিংনৈলম কিপজেননা শান্নবগী ৬, ৩৬ অমসুং ৪৫ শুবা মিনটতা গোল অহুম চনবা ঙমখি। অদুগা এম অম্বীকা অমসুং পি ইরানা শান্নবগী ৪২ অমসুং ৪৩ শুবা মিনটতা গোল অমমম চনখিবনি।

চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা খৃষ্টিনানা শান্নবগী ৪৯শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা নুপীমচা কাংলুপকী শান্নখিবা গ্রুপ-দিগী লীগ মেটচ অমদা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী সেক্রেট হার্ট হায়র সেকেন্দরী স্কুলনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী নিলামানি ইংলিস স্কুলবু গোল ৭-০ দা মায়থিবা পীখি।

অতোপ্পা নুপীমচাগী গ্রুপ-এগী লীগ মেটচ অমদা চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী ডাঃ রাধা কৃষ্ণানন্দ ফাউন্দেসন স্কুলনা ফেজরোলগী পারবুং হায়র সেকেন্দরী স্কুলবু গোল ১০-০ দা মায়থিবা পীখিবনি।

## বিদ্যাসগর অমসুং মহেশ্বরিনা ষ্টেট ওপন বেদমিন্টন
## চেম্পিয়ন্সিপকী মেন্স অমসুং ৱুমেন্স সিঙ্গলসকী টাইটল লৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫ঃ

মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিয়েসননা শীন্দুনা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী হুনপুংদা লৈবা বাক্সি ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চত্থরকখিবা ৬৩শুবা ষ্টেট ওপন বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা ইম্ফাল ৱেষ্টকী বিদ্যাসগর সলাম অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী ক্ষেত্রিময়ুম মহেশ্বরি দেবীনা মেন্স অমসুং ৱুমেন্স সিঙ্গলসকী টাইটলশিং লৌখ্রে।



থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট বেদমিন্ট এসোসিয়েসননা ৩৭শুবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট চেম্পিয়ন্সিপকী সেনিয়র টিমগী ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে। অদুগা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট বেদমিন্টন এসোসিয়েসননা জুনিয়র টিমগী ৱিন্নর ওইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচতা বিদ্যাসগর সলামনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী এল উনিলকুমারবু সেট ২-১ (২১-১৯, ১৩-২১ অমসুং ২১-১৯) দা মায়থিবা পীখি।

ৱুমেন্স সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচতা ইম্ফাল ইষ্টকী ক্ষেত্রিময়ুম মহেশ্বরিনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী অনগিতা নাওরেম্বু সেট ২-০ (২১-১৩, ২১-১৬) দা মায়থিবা পীখি।

বিদ্যাসগর অমসুং মহেশ্বরি অনীমক্না চহি ১৯ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী সিঙ্গলস ইভেন্টদসু ৱিন্নর ওইবা ঙমখি।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী কেএস মাঞ্জিৎ সিংহ অমসুং কে দিঙ্কু সিংহ অনীগী পিয়রনা মণিপুর পুলিসকী জেমস ৱাহেংবম অমসুং আর কে সিনিরগী পিয়রবু পোইন্ট ২১-১৮ অমসুং ২১-১৯ দা মেন্স দবলসকী ফাইনেল মেটচতা মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি।

ৱুমেন্স দবলসকী ফাইনেল মেটচতা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী এম শোমিবালা অমসুং এন পুর্নিমা অনীগী পিয়রনা ইম্ফাল ইষ্টকী মহেশ্বর অমসুং ৱাই ধনাপটিগী পিয়রবু পোইন্ট ২১-১৯ অমসুং ২১-১৭ দা মায়থিবা পীদুনা ইভেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইখ্রে।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী কেঐচ মঞ্জিৎ সিংহ অমসুং ৱাই দিঙ্কুগী পিয়র অদুগা ইম্ফাল ৱেষ্টকী বিলিনদা অমসুং বিষ্ণুপুরগী কে প্রিয়াগী পিয়রনা চহি ১৯ মখাগী নুপা অমসুং নুপীগী দবলসকী ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী দিঙ্কু অমসুং প্রিয়া অনীগী পিয়র অমদি থৌবালগী পুর্নিমা অমসুং বিষ্ণুপুরগী মঞ্জিৎ অনীগী পিয়রনা চহি ১৯ অমদি ওপনগী মিক্স দবলসকী ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

লোইশিনবগী থৌরমদা দিপ্যুটি চিফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম জয়কুমারনা অথোইবা মীথুংলেন, য়ুঠ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা থৌরম মপু, চিংগাইগী এমএলএ খাসিম ভাসুম অমসুং দিজিপি মণিপুর এলএম খৌতেনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

## ষ্টেট কুংফু টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫ঃ

অসামগী বোংগাইগাওদা লৈবা চাইলরাই ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ২৬তগী ২৯ ফাওবা পাঙথোক্কদৌবিরা অনীশুবা সিফু তোম্বা মৈতৈ নিংশিং নেসনেল কুংফু চেম্পিয়ন্সপ্তা শরুক য়াগদবা ওল মণিপুর কুংফু এসোসিয়েসনগী শান্নরোইশিং ঙসি ককচিং বজারদগী এমএলএ য়েংখোম সুরচন্দ্রনা লমথাখ্রে।

লমথাবগী থৌরম অদুদা ঐচ কৈনাহল মেমোরিয়েল ইংলিস স্কুল লাংমৈদোংগী দাইরেক্টর কম প্রিন্সিপাল হুইদ্রোম জিতেন, ইন্দিয়ান কুংফু ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট ময়াংলম্বম সরত, ফেদরেসন অসিগী সেক্রেটরী য়ু রোহিনিকুমার, ওল মণিপুর কুংফু এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট অমসুং সেক্রেটরী নোংমাইথেম রমান্দ অমদি ৱাই রাজেনসু শরুক য়াখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগীদমক ষ্টেট অসিদগী নুপীমচা ১০, নুপামচা ১৪ পুন্না শান্নরোই ২৪না শরুক য়াগনি।

ষ্টেট টিম অসিগী মেনেজরনা কেঐচ সরতচন্দ্র অদুগা টিম কোচনা ৱাই কিরন মৈতৈ নি।

## রেপিদ চেছ টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫ঃ

কংলৈ চেছ একাদেমীনা শীন্দুনা ১৯শুবা অন্দর-১৫ ওপন সটরদে এন্দ সন্দে রেপিদ চেছ টুর্নামেন্ট ঙসি শিংজমৈ চিংঙামথক চোংথাম লৈকায়দা লৈবা একাদেমী অসিগী শঙলেনদা এদভাইজর সনাশম উমানন্দনা হৌদোকখ্রে।

ঙসি অহৌবা নুমিৎকী টেবল নম্বর ৱানদা শান্নখিবা মেটচ অমদা এলেক্স খুন্দোংবমনা তখেল্লম্বম শ্যামসনবু মায়থিবা পীখি।

অদুগা টেবল নম্বর ২ গী মেটচতা নুংশিথোই ঙাইরংবমনা খুয়ুমথেম পেত্রিকপু মায়থিবা পীখি। টেবল নম্বর ৩গী মেটচতনা জলেস থৌদামনা থোকচোম প্রিটি মায়থিবা পীখি।

অতোপ্পা শান্নরোই মরি দয়ানন্দ থৌদাম, ক্ষেত্রিময়ুম এমসন, খুমন অইস্তাইন মাইবম অমসুং মাইবম য়োহেনবা খুমনসু অহৌবা নুমিৎকী মেটচশিংদা মায় পাকখি।

## নুমিৎ হুমনি পাঙথোক্কদবা থাং-তা ফেষ্টিভেল হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫ঃ

মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী শেন্থংমখাদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট থাং-তা এসোসিয়েসননা শীন্দুনা নুমিৎ হুমনি চত্থগদবা থাং-তা ফেষ্টিভেল ঙসি ককচিং খুনৌ কম্যুনিটি হোলদা হৌদোকখ্রে।




ফেষ্টিভেল অসিদা তোঙান তোঙানবা থাং-তাগী শিন্দমশঙ ৮দগী লাকপা শান্নরোই ৯৫না শরুক য়ারি।

ঙসি হৌদোকপগী নুমিৎতা তোঙান তোঙানবা থাং-তাগী শিন্দমশঙদগী লাকপা থাং-তাগী আর্টিষ্ট অমদি শান্নরোইশিংনা মশান্না অসিগী তোঙান তোঙানবা দেমোত্রেসনশিং উৎখিবগা লোয়ননা নাৎকী ওইবা কলচরেলগী আইতেমশিংসু উৎখি।

ফেষ্টিভেল অসি থা অসিগী ২৭ ফাওবা পাঙথোক্কনি। হৌদোকপগী থৌরমদা সোসিয়েল ৱার্কর সরাংথেম সনাহল সিংহ না অথোইবা মীথুংলেন, ওল ককচিং খুনৌ স্পোর্টস এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট থৌনাওজম অঙৌবা সিংহ না থৌরম মপু অমসুং ককচিং খুনৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ নম্বর ৭গী কাউন্সিল্লর অঙোম বিমোলচান্দ সিংহ না অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

## খুন্দ্রাকপম কাংখুৎনা শগোলবন্দবু মায়থিবা পীখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫ঃ

ইবুধৌ ৱাংপুরেল খানা চাওবা কাং কম্মিটিনা শীন্দুনা কোংবা মখা নাদেবম লৈকায় লাইকোনদা চত্থরকপা ৫শুবা থোঙাম শাজৌ নিংশিং মিক্স কেন্দ্র-ৱাইজ লীগ কম নোক আউত কাং টুর্নামেন্ট ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র কাংখুৎনা শগোলবন্দ কেন্দ্র কাংখুৎপু পাঞ্জল ৬তা মায়থিবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি থা অসিগী ১৬তগী হৌদুনা টিম ১৩না গ্রুপ ৪ থোক্তুনা শরুক য়ারি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুদা খুন্দ্রাকপম কাংখুৎনা পুন্না পাঞ্জল ১৫ লৌবা ঙমখি। অদুগা শগোলবন্দ কেন্দ্র কাংখুৎনা পাঞ্জল ৯ লৌদুনা খুন্দ্রাকপম কাংখুৎকী মখুৎতা পাঞ্জল ৬দা মায়থিখ্রে। হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চত্থরকপা লীগ মেটচ অমদা কোন্থৌজম কেন্দ্র কাংখুৎ অমদি থোংজু কেন্দ্র কাংখুৎ অনীনা লম্বা তৌনরগনি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*